
# মৈহেরোই ৭০না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা লোয়ননা ইশ্রোদা চন্দ্রয়ান –২ 'মুন লেন্দিং' য়েংগনি

***বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমদগী মৈহেরোই ৭০ রোমনা থাংজগী অঙনবা পূংজাদা থাগী লৈমাইদা চন্দ্রয়ান–২গী সোফ–লেন্দিং অদু য়েংগনি। মৈহেরোইশিং অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লোয়ননা লাইব ওইনা চন্দ্রয়ান–২ মুন লেন্দিং য়েংগনি।

ইশ্রো (ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন)গী ওনলাইন স্পেস ক্যুইজ কন্টেষ্টতা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তগী মার্ক ৱাংনা ফংখিবা মৈহেরোই ২বু স্পেস এজেন্সি অসিনা বেঙ্গলুরুদা ইশ্রোগী সেন্টরদগী থাগী লৈমাইদা চন্দ্রয়ান –২গী বীক্রম মোদুলনা লেন্দিং তৌবদু য়েঙনবা বার্ত্তন তৌখ্রে।



লেন্দিং অদু য়েংগদৌরিবসি পূন্না মৈহেরোই ৭০রোমনি। প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়ননা মখোয়না লাইব ওইনা লেন্দিং অদু য়েংগনি হায়না সেনিয়র ইশ্রো ওফিসিয়েল অমনা পাউজী এজেন্সি পি টি আইদা হায়খি।

স্পেস প্রেগ্রাম অদুগী মরমদা খঙবা হেনগৎহন্নবা 'মাইগোব দোট ইন'গা খূৎশন্নরগা ইশ্রোনা আগষ্ট ১০দগী ২৫ ফাওবা ওনলাইন ক্যুইজ কম্পিটিসন অমা পাংথোকখিবনি। মায় পাকপা ৱিনরশিং খন্নবগী ক্রাইটেরিয়া অদুদি খ্বাইদগী তেনবা মতমদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না অচুম্বা পাউখুম পীবনি।

মিনিট ১০গী ক্যুইজগী মতমদা ৱাহং ২০গী পাউখুম পীগনি। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা ক্লাস ৬তগী ১০ ফাওবগী মনূংদগী খ্বাইদগী ৱাংনা মার্ক ফংবা মৈহেরোই অনী–অনী ইশ্রো বাঙ্গালুরু সেন্টরনা বার্ত্তন তৌখি।

মনূংদা য়াওরিবা প্রগ্যান রোভরগা লোয়ননা লেন্দর 'বীক্রম'না সেপ্টেম্বর ৭তা অয়ুক পূং ১.৩০ অমসুং ২.৩০গী মরক্তা থাগী লৈমাইদা তারবা য়াই।

মায় পাক্না লেন্দিং তৌরবদি মদুনা ইন্দিয়াবু থাগী লৈমাইদা সোফ লেন্দিং তৌবদা রসিয়া, য়ু এস অমসুং চিনাগী মথংদা ৪শুবা লৈবাক ওইরগনি।

অদুবু হান্না কনাগুম্বা অমত্তা চৎলুদ্রিবা থাগী সাউথ পোল রিজনদা মিসন অমা থাবদা ইন্দিয়ানা অহানবা লৈবাক অদু ওইরগনি।

# ৱ্লাদিমির পুটিননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু রসিয়াদা ভিক্টরি ডে সেলেব্রেসন্সকীদমক বার্ত্তন তৌখ্রে

***ৱ্লাদিভোষ্টোক, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মে ২০২০দা মোস্কোদা পাংথোক্কদৌরিবা গ্রেট পেট্রিওটিক ৱারদা মায় পাকখিবগী ৭৫ শুবা চহীগী থৌরমদা শরুক য়ানবা বার্ত্তন তৌখ্রে।

গ্রেট পেট্রিওটিক ৱারদা মায় পাকখিবা, ভিক্টরি ওভর নাজিজমগী ৭৫শুবা চহীগী থৌরম, মথং চহীগী মেদা নহাকপু শরুক য়ানবা ঐখোয়না আশা তৌরি হায়না রসিয়ান প্রসিদেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা মখোয় অনী ৱারী শান্নবদা হায়খি।

ৱ্লাদিমির পুটিননা নবেম্বরদা ব্রাজিলদা পাংথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স (ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চিনা অমসুং সাউথ অফ্রিকা)গী সম্মিট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা অমুক উন্নবসু মহাক্না থৌরাং তৌরি হায়খি।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা মখোয় অনীখক উন্নবগী মীফম অমা পাংথোকখি। অনৌবা লিংখৎখিবা বেজদা সিপয়ার্দতা হি অমদা চৎখিবা অমসুং হল্লকপগী খোঙচৎতা পাক চাওরবা হিরম কয়ামুক খন্নখি হায়না রসিয়াগী লৈঙাক্না চল্লাইবা টাস ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

রসিয়াগী ফার ইষ্টর্ন পোর্ট সিটি ৱ্লাদিভোষ্টোকতা পাংথোকপা ইষ্টর্ন ইকোনোমিক ফোরমদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াবগীদমক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরবু ৱ্লাদিমির পুটিননা থাগৎখি।



মীফম অসিগী মমাঙদা মিনিষ্ট্রিশিং, এজেন্সিশিং, লোয়ননা ব্যুজিনেস এন্টাইটিশিংনা গ্রাউন্দৱার্ক কয়ামরুম মাঙজৌননা শেমখি হায়না মহাক্না নীংশিংখি।

ট্রেদ, ইনভেষ্টমেন অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্টর য়াওনা মিলিটরি অমসুং টেক্নিকেলগী মরীশিংগী মতাংদা এদুকেসনেল অমসুং কলচরগী মতাংদা বাইলেটরেল দোকুমেন্টশিংগী অচেৎপা পেকেজ অমসু য়ানখি হায়না ৱ্লাদিমির পুটিননা হায়খি।

ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা অমগা–অমগা শৌগৎনদুনা মালেমগী ফম্বাক্তা ইচঙথৌনা থবক তৌরি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট অসিনা অমুক্কা হন্না চেৎনা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়গী ফিরেপশিং ইন্টরনেসনেল এজেন্দাগী মরুওইবা হিরম কয়াদা য়াম্না নক্নে নৎত্রগা অমত্তা ওই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# প্রাইম মিনিষ্টরগী মমাঙদা অকিবা লৈতনা মখোয়গী ৱাখল ঙাংথোকপা ঙম্বা লূচিংবশিং মথৌ তাই ঃ এম এম জোশি

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** প্রাইম মিনিষ্টরগী মমাঙদা অকিবা লৈতনা ঙাংবা অমসুং মহাক্কা মরৈ য়েৎনবা ঙম্বা লিদর্সিপ অমা ইন্দিয়ানা মথৌ তাই হায়না ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বি জে পি ভেটরান মুরলি মনোহর জোশিনা হায়খ্রে।

নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী মরুওইবা হিরমশিংগী মতাংদা পার্টিগী ৱা থমদনা খন্ন–নৈনবগী চৎনরকপা অদু পূন্নমক লোয়শিনখ্রে অমসুং মদু শোয়দনমক হীংগৎহনগদবনি হায়নসু মহাক্ন ফোঙদোকখি।



হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা জুলাইদা লৈখিদ্রবা সিনিয়ার কোংগ্রেস লিদর জয়পাল রেদ্দিগী মফমদা ঈকাইখুম্নবা উৎপা অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

প্রিন্সিপলশিংদা য়ুমফম ওইবা ৱাখল মীৎয়েঙশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোক্তুনা নীংহন্নবা লৈতনা অমসুং মাঙোন্দা নুংঙাইখিরোই নৎত্রগা ৱাগনি হায়বগী ৱাখল লৈতনা ফোঙদোকপা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগা দিবেট তৌনবা ঙম্বা লিদরসিপ অমগী শাথিনা মথৌতাবা অমা লৈরে হায়না ঙসি ঐহাক্না থাজে হায়না হিন্দি লোলদা মিষ্টর জোশিনা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৮৫ শুরবা অহল ওইরবা বি জে পি লূচিংবা অসিনা মহাক্কী পার্টিগী লিদরসিপতা য়ানীংদবা কয়া ফোঙদোকখিবা লৈবা অমসুং চহী অসিগী মনূংদসু মহাকপু ইলেক্সন কন্টেষ্ট তৌনবগী তাঞ্জা পীদবগী ফোঙনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবা মরম্না ৱাফমশিং অসি মায়কৈ কয়াদগী মীৎয়েং চিংশিল্লি।

২০১৪গী মতূংদগী নরেন্দ্র মোদি–অমিত শাহগী মতমদা নমদুনা পোথাহনখিবা বি জে পি লিদরশিংগী মনূংদা এল কে অদবানিগা লোয়ননা মুরলি মনোহর জোশিসু য়াওখি।

ঙরাংগী থৌরম অদুদা মিষ্টর জোশিনা জয়পাল রেদ্দিবু ১৯৯০গী চহীশিংদা ইন্টিলেকচ্যুয়েল প্রোপরটি রাইটসকী মতাংদা খন্ন–নৈনবগী মরুওইবা ফোরম অমদা য়াওখিবা অমনি হায়না নীংশিংখি।

মসিদনত্তনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোরম অমদসু ৱাথোক কয়াগী মতাংদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টরগা ময়োক্নদুনা ৱা ঙাংনবা কয়াসু থোকখি হায়না মহাক্না হায়খি।

অসুন্না তোঙান–তোঙানবা থবক কয়াদা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী ৱাথোকশিংগী মতাংদা ওপিনিয়ন অমা শেন্নবা হোৎনবা অমসুং শেন্নবা তোঙান–তোঙানবা পার্টিশিংগী মীওই য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি। অদুবু অসিগুম্বা অসি তাঙশিলক্নে, শেংনা হায়রবদা পূংলোই লোইশিনখ্রে। অসিগুম্বা প্রক্টিসশিং হিংগৎহনবা মরুওই হায়না সেনিয়ার লিদর অসিনা হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অতৈদি ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদু, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমসুং দিল্লি চীফ মিনিষ্ট অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনচিংবনি।

# পঞ্জাবকী গুরদাস্পুরদা বোম্বুলা ফেক্টরি পোকখায়বদা ১৫ শিখ্রে

***গুরদাস্পুর, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** পঞ্জাবকী গুরদাস্পুরদা বোম্বুলা শাফম ফেক্টরি অমদা শাথিনা পাকচাওনা পোকখায়রকখিবদা য়ামদ্রবদা মী ১৫ শিখ্রে অমসুং অতেক–অকাই মখাদা মীওই ৫০ রোম নন্সিন্দুনা লৈখ্রে। মফম অদুদা ফয়ার টেন্দরশিং থুনমক চংশিল্লকখ্রে।

খুদোঙথিবা থৌদোক অদু গুরদাস্পুগী বাতালাদা মীয়াম লৈনবা মফম অমদা লৈবা বোম্বুলা শাফম ফেক্টরি অমদা নুমিদাংৱাইরম পূং ৪ রোম তাবদা থোকখিবনি হায়না ইস্পেক্টর জেনরেল 'বোর্দর রেঞ্জ' এস পি এস পারমরনা হায়খি।

থৌদোক অদুদা অৱা–তেংবাংগী থবক দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর অমসুং সেনিয়ার সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা লূচিংদুনা রেস্ক্যু ওপরেসনশিং মখা চত্থরি হায়না ত্বিইটরদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা হায়খি।

থৌদোক অদুদা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙখিবা অদুদা মহাক্না থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

বোম্বুলা শাফম ফেক্টররি পোকখায়বদু অসুক্কী মতিক কল্লি মদুদি ফেক্টরি অদু লৈরিবা মথোন ৩গী বিল্ডিং নিংখাইখি অমসুং মপূং ফানা মাঙ–তাকখ্রে। মদুদা নত্তনা অনকপদা লৈবা বিল্ডিং অহুম–মরীসু নীংখাইখি অমসুং কিলোমিটর ১ লাপ্পা মফমদা লৈবা বিল্ডিংশিংগী থোঙনাও মিংশেলশিং কায়খি। পোকখায়বা অদুদা কার অমা অমসুং বাইক অমসু মাঙ–তাকখ্রে।

# দোকুমেন্টশিং য়াওদনা গাড়ী থৌবশিং অচৌবা ফাইনগী চৈথেং ফংলে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** এমেন্দেদ মোটোর ভেহিকল লো চৎনবা হৌখ্রিবগী তুংদা হৌজিক লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মরীলৈনবা দোকুমেন্টশিং য়াওদনা গাড়ী থৌবশিং অচৌবা ফাইনগী চৈথেং ফংবা হৌখ্রে।

হরিয়ানাগী কাইথাল হায়রিবা ষ্টেট অসিগী কোনুং চান্দিড়দগী কিলোমিটর ১২০ লোম লাপ্পা মফম অসিদা স্কুটর থৌবা মুকুল কৌবা মীওই অমদগী পুলিসনা লূপা লিশিং ১০গী ফাই লৌখ্রে।

মীয়ামদা শোয়দনমক রুলস ইন্না চৎপা তাই হায়না কাইথালদা হরিয়ানা পুলিসকী সব–ইনস্পেক্টর ধরমবিরনা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা দিনেস মদন কৌবা স্কুটর থৌবা মীওই অমবুসু ট্রাফিক রুল কয়ামরুম থুগাইবগীদমক গুরগাও ট্রাফিক পুলিসনা লূপা ২৩,০০০ ফাইন তৌখি। মহাক দোকুমেন্টশিং পুরমদে, পোলূসন সাটিফিকেট অমসুং হেলমেটসু য়াওরমদে। গুরগাওগী শিকন্দরপুর এরিয়াদা ওটোদ্রাইভর অমনা ট্রফিক লাইন লাম্থোক্তুনা চৎনবা হোৎনবগীদমক লূপা ৩২,৫০০ ফাইন তৌখি।

ট্রাফিক রুল থুগাইবগীদমক অনৌবা অচৌবা ফাইনশিং অসিনা লো থুগাইবা মোটোরিষ্ট কয়ামুক ৱাহনখ্রে। হেলমেট উপ্তনা লাকখিবা মীওই কয়ানা মখোয়গী মোটোরসাইকলশিং অমসুং স্কুটরশিংদগী কুমথরগা মখোয়গী গাড়ীশিং অদুগা লোয়ননা ট্রফিক পুলিসমেন কয়ামুক্কী মমাঙ ফাওদুনা খোঙনা চৎখি।

মহাক্কী গাড়ীগী রেজিষ্ট্রেসন অমসুং দোকুমেন্ট অমসুং ড্রাইভিং লাইসেন্স পুরমদবগীদমক স্কুটর থৌবা অমা গুরগাওদা লূপা ২৩,০০০ ফাইন তৌখি।

মহাক্না মহাক্কী স্কুটর অদুদি য়োনবদা ১৫,০০০ খক্তমক শিংকনি। অদুবু মঙোন্দা লৌরিবা য়াম্লবা ফাইন অসিদি মসিদগী লূপা ৭,০০০ হেল্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকপদগী পাউগী হেদলাইন্স ওইখি।

হেলমেট য়াওদনা চাকা ২গী গাড়ী থৌবগী ফাই লূপা ১০০দগী ১,০০০দা হেনগৎখ্রে। গাড়ী থৌরিঙৈদা সেলফোন শিজিন্নবদা লৌবা ফাইন লূপা ১,০০০দগী ১,০০০–৫,০০০গী মরক্তা হেনগৎহনখ্রে। য়ু থক্লগা গাড়ী থৌবনা লূপা ২,০০০দগী ১০,০০০দা, য়াঙনা থৌবগীনা লূপা ১,০০০দগী ২,০০০ ফাওবগী মরক্তা ফাইন লৌরগনি।

অনৌবা মোটোর ভেহিকল রুল অসি সেপ্টেম্বর ১দগী লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা চৎনবা হৌখিবনি।

ট্রফিক ওফিসিয়েলশিংনা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবগী কেম্পেনশিং পাংথোক্লি অমসুং ট্রাফিক রুল ইন্দবশিংদা ফাই তৌরি।

মসি মখোয়বু রুলশিং ঙাক্না চৎহন্নবনি হায়না গরুগাওদগী পুলিস ওফিসার মনোজ কুমারনা হায়খি।

# হোং কোং লিদরনা এক্সট্রাদিসন বিল তোক্লে লাওথোকখ্রে

***হোং কোং, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** হোং কোং লিদর কেররি লামনা চাইনিজ–রুল সিটি অসি য়াম্না কিনিংঙাই ওইবা খুদোঙথিবা থাক অমদগী মাঙলোমদা কাখৎলকপা ঙম্লবা অমসুং ৱারোইশিন ফংনবা থা কয়ামরুমগী প্রোটেষ্টশিংগী মরম ওইরিবা এক্সট্রাদিসন বিল অমা ঙসি হন্দোকখ্রে।



ওদিও রেকোর্দিং অমগী মতূং ইন্না, এক্সট্রাদিসন বিল অদু হন্দোক্লবা হোং কোং লিদর লাম দগী হৌদোকপগী ৱাফম অমা বৈজিংনা ককথৎখ্রে অমসুং করিগুম্বা মহাক্না ঙম্লবদি মহাক রিজাইন তৌগনি হায়না লান্নাই ওইনা মহাক্না ফোঙদোকখ্রে হায়বা ৱাফম অমা পাউগী এজেন্সি রোইটর্সনা ইরাই অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙখিবগী মতূংদা টেলিভিজনদা লাইব ওইনা এক্সট্রাদিসন বিল হন্দেক্লকপগী ৱারোল অদু লাওথোক্লককখিবনি।

ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বিল অদু হন্দোক্লবগী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱারোলদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোকশিং অসিনা ঐখোয়গী সোসাইটিসিগী য়ুমফম অদুমক, মরুওইনা রুল ওফ লো শোকহল্লক্লে হায়না মহাক্না হায়খি।

এক্সট্রাদিসন বিল হন্দোকপা হায়বদু হোং কোং প্রোটেষ্টরশিংগী মরুওইবা দিমান্দ অমনি। প্রোটেষ্টরশিংগী দিমান্দ অদু গভর্ণমেন্টনা হন্না–হন্না য়াখিদবা অমসুং মদুনা মী লাক্ষ ৭০গী সিটি অসিগী মফম কয়াদা পুলিসকা মুক্নবগী থৌদোক কয়া থোকখিবা, প্রোটেষ্টর ১,০০০ হেন্না ফাখিবা অমসুং হোং কোং খুন্নাইবু হকচিন্না নাকপাক তানহনখিবগা লোয়ননা হান্নগী বৃটিস লোয়লম অসিবু লৈঙাক অমা লৈতবগী ফিভম ওইরকখিবগী মতূংদা বিল অদু হন্দোকখিবনি।

মীয়ামগী লৈরিবা নুংনাংবশিং মপূং ফানা কোকহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা ফোর্মেল ওইনা বিল অদু হন্দোক্লগনি। ইন্দিপেন্দেন্ট পুলিস কমপ্লেন্টস কাউন্সিল (আই পি সি সি) রিপোর্টকী রিকোমেন্দেসনশিং অদু গভর্ণমেন্টনা হকচিন্না ইনগনি হায়বসি ঐহাক্লা ৱাশক্লি।

থা অসিদগী ঐহাক অমসুং ঐগী প্রিন্সিপাল ওফিসিয়েলশিংনা হকথেংননা ৱারী শান্নবা হৌনবগীদমক মীয়ামদা হায়জরগনি।

খুন্নাই অসিদা লৈরিবা পেন্দবা অসি কোকহন্নবা লম্বীশিং শোয়দনমক ঐখোয়না ফংগনি অমসুং ৱারোইশনশিংগীদমক য়েংগনি হায়না হোং কোং লিদর কেরি লাননা হায়খি।

ক্রাইমদা চেন্নবা ফারবা মীওইশিংবু মেনলেন্দ চিনাদা থানবগী এক্সট্রাদিসন বিল অদু মীয়াম্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মার্চ থাদগী প্রোটেষ্টকী ঈহৌ লাকখিবনি, অদুবু কোন্নথংদা ঈহৌ অদু বৃটিসনা মখোয়গী লোয়লম ওইরম্বদগী ১৯৯৭দা চিনাদা অমুক হন্না খূৎশিন্নরমখিবা সিটি অসিগীদমক অহেনবা দেমোক্রেসি পীগদবনি হায়বগী খোঙজং ওল্লকখিবনি।

লূচিংবী নুপী অসিনা থা ৩গী প্রো–দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং থোকহল্লকখিবা এক্সট্রাদিসন অদু মতম পূম্নমক্কীওইনা তোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# পাকিষ্টানদা অহানবা অমা ওইনা সিন্ধ প্রোভিন্সতা হিন্দু নুপীমচা অমনা পুলিস ওফিসার ওইরে

***ইস্লামবাদ, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** পাকিষ্টানদা হিন্দু নুপীমচা অমনা প্রোভিন্সিয়েল কম্পিটিটিব একজামিনেসন পাস তৌদুনা সিন্ধ প্রোভিন্সতা পুলিস ওফিসার অমা ওইরকখ্রে হায়না ঙসি মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।



পুস্পা কোলহি কৌবী হিন্দু নুপীমচা অদু সিন্ধ প্রোভিন্সতা এসিষ্টেন্ট সব–ইনস্পেক্টর (এ এস আই) অমা ওইনা পোষ্টিং পীখ্রে হায়না জিও ন্যুজনা হায়খি।

মদুগী লাওথোকপা অদু ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট কপীল দেবনা মহাক্কী ত্বিইটর হেন্দলদা অহানবা ওইনা ফংখি।

চহী অসিগী জনুৱারিদা হিন্দু কম্যুনিটিগী পাকিষ্টাননি সুমন পাৱন বোদানিবু সিভিল এন্দ জুদিসিয়েল জজ অমা ওইনা হাপখি।

বি বি সি উর্দুদা ৱা ঙাংবদা সুমন বোদালিনা মহাক য়াম্না লাইরনা অমসুং শীংনবা কয়া মায়োক্ননা সিন্ধগী চাওখৎতবা খূঙ্গং অমদগী হৌরকপনি হায়খি। পাকিষ্টানদা হিন্দুশিংনা খ্বাইদগী চাওবা মাইনোরিটি কম্যুনিটি ওইরি।

ওফিসিয়েল এষ্টিমেটসকী মনূং ইন্না পাকিষ্টানদা হিন্দু লাক্ষ ৭৫ লৈ। পাকিষ্টানগী হিন্দু পোপুলেসনগী অয়াম্বদি সিন্ধ প্রোভিন্সদা খুন্দাই। মফম অদুদা মখোয়না মুস্লিম পোপুলেসনগা কলচর, ট্রেদিসন অমসুং লেংগ্বেজ পূন্না শরুক য়ামীন্নদুনা হীংই।

# পাকিষ্টানদা খূৎ থোক্লবদা নুপী য়াওনা টেরোরিষ্ট ৬ হাৎখ্রে, সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৫ শোকখ্রে

***কারাচি, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** পাকিষ্টানগী ইরাং লৈবা বালোচিষ্টান প্রোভিন্সতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেরোরিষ্ট লোৎফম অমদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রেইদ চত্থবদা খূৎ থোক্লরকপদগী নুপী অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মিলিটেন্ট ৬ হাৎখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বালোচিষ্টান প্রোভিন্সকী কোনূং কুয়েট্টাদা ইষ্টর্ন বাইপাস মনাক্তা চত্থখিবা ওপরেসন অদুদা কাউন্টর–টেরোরিজম পুলিস অমসুং ইন্টিল্লিজেন্স এজেন্সিশিংগী সেক্যুরিতি পার্সোন্নেল ৫ শোকখি হায়না জিও টিভিগী পাউনা হায়রি।

কাউন্টর টেরোরিজম দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই অমগী মতূং ইন্না মফম অদুদা টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বগী মতাংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পাউ ফংবদগী রেইদ অদু চত্থখিবনি হায়রি।

সেক্যুরিটি ফোসশিংগা খূৎ থোক্লবা মতম অদুদা মশাদা সুইসাইদ জেকেট অমা লিৎলিবী নুপী অদুনা মহাক মশামক পোকখায়হল্লকখি হায়না ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

খূৎ থোক্লফম অদুদগী ওপরেসন অদুগী মতূংদা ওথোরিটিজনা খূৎশু–খূৎলাই অমসুং নোংমৈমরুশিং ফংখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# বৃটেননা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৪৫গী হেরোইন ফাখ্রে

***লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৪(এজেন্সি)ঃ*** ইন্টরনেসনেল ওপরেসন অমনা বৃটেনদা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা হেরোইন ফাবা ঙমখ্রে হায়না নেসনেল ক্রাইম এজেন্সি (এন সি এ)না ঙসি ফোঙদোকখ্রে। য়াম্লবা টোন ১.৩ রোমগী হেরোইন অদু কন্টেনর সিপ অমদগী ফংখিবনি।

আগষ্ট ৩০দা ইংলেন্দগী খা থংবা হিথাংফম ফেলিক্সষ্টোদা খাম্লখিবা এম ভি গিব্রালটরদা ওথোরিটিজনা রেইদ চত্থখি হায়না এন সি এনা হায়খি।

এন্টৱেরপ তম্না লাকপগী লম্বীদা জহাজ অদুনা খাম্লকখিবদা মদুগী মথক্তা ষ্ট্রিট ভেলুদা পাউন মিল্লিয়ন ১২০ (দোল্লর মিল্লিয়ন ১৪৫, য়ুরো মিল্লিয়ন ১৩৩) লোমগী হেরোইন অদু য়াওরমগনি হায়বসি বৃটিস পুলিসনা খঙবা ঙমখি।

স্মগ্লরশিং অদুনা টারৱেলশিংগী মনূংদা হেরোইন কেজি অমমমগী পেকেটশিং তুশিল্লগা দ্রগশিং অদু লোৎশিলম্বনি হায়না ফেলিক্সষ্টোদা বোর্দর ফোর্স এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর জেন্নি শ্রাবনা হায়খি।

য়াম্লবা দ্রগশিং অদু লৌথোক্লবা হোৎনবদা থাংজগী অঙনবা অয়ুক্তা ঐগী ওফিসারশিংনা পূন্না পূং ৬ লোম চংখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দটচ অমসুং বেলজিয়ান লো এনফোর্সমেন এজেন্সিশিংনা কন্টেনর সিপ অদু খোঙ্গুল লিরকখিবনি অমসুং স্মগ্লরশিং অদুনা পোৎশিং অদু থাংথরিঙৈদা চংশিল্লগা মীওই ৪ ফাখি। মসি য়ু কেদা হেরোইন ফাবদা রেকোর্দ অমনি অমসুং য়ুরোপতা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা খ্বাইদগী য়াম্বা অমনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-232**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | | | 3 | 1 | | 4 | |
| | | 3 | | 4 | 8 | | 1 | 2 |
| 1 | | 4 | 2 | | | | | 8 |
| 8 | 6 | | 5 | | | 7 | | |
| 4 | 3 | | 1 | | | 2 | | |
| 5 | | | | | | 1 | | 3 |
| 2 | | | 3 | | | 4 | | |
| | | 7 | | 1 | | 8 | | |
| | 1 | | | | 2 | | 3 | |

**সনা–সুদোকু – ২৩১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 5 | 4 | 7 | 2 | 8 | 9 | 6 | 1 |
| 8 | 1 | 9 | 6 | 5 | 4 | 3 | 7 | 2 |
| 2 | 7 | 6 | 1 | 3 | 9 | 5 | 4 | 8 |
| 7 | 9 | 2 | 5 | 1 | 3 | 6 | 8 | 4 |
| 4 | 8 | 3 | 2 | 9 | 6 | 1 | 5 | 7 |
| 1 | 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 2 | 9 | 3 |
| 5 | 3 | 8 | 4 | 6 | 1 | 7 | 2 | 9 |
| 9 | 2 | 7 | 3 | 8 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 6 | 4 | 1 | 9 | 7 | 2 | 8 | 3 | 5 |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 612, 19kg- 20
Time : 07.30 to 09.30 a.m.
First Come First Serve

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 04/09/19
Valid : 24/08/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 612, 5 & 19kg Available
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 25/07/19
Sl. No. : 1100
Valid : 21/07/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**J Rongmei Indane**
Booking : 01/08/19
Valid : 30/07/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**R & H Indane**
Booking : 04/09/19
Valid : 16/08/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 31/08/19
Valid : 26/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Phayeng Indane**
Booking : Up to Date
Valid : 16/08/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Haran Velley, Kwakta**
Booking : 21/08/19
Valid : 17/08/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 5kg & 19kg Available
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : Up To Date
Stk : 306, 19kg Available
First Come First Serve

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 04/09/19
Valid : 24/08/19
Stk : 918
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**G B D Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve